# মেদল লৌরকখ্রবী দেবীকারানী তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):** চাইনাদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১২ রক শুবা এসিয়ান জুনিয়র ৰুশু চেম্পিয়ন্সিপতা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবী কোন্থৌজম দেবীকারানী ঙসি মচালৈমা স্কুলনা তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মচা লৈমা স্কুলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ৰুশু চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মেদল লৌরকখ্রবী কোন্থৌজম দেবীকারানী হৌজিক হৌজিক স্কুল অসিদা ক্লাস ফাইব তন্লিবী মহৈরোয় অমনি। মহাক ৰাঙ্খে নীংথেম পুখ্রি মপালদগী কোন্থৌজম দেবেন অমদি কোন্থৌজম বিজে তাগী মচানুপীনি। মহাক্না চাইনাদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা টাইজিক্কান অমসুং টাইজিজিয়ানদা সিলভর মেদল লৌদুনা মণিপুর ইমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙস্বগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীংচৎসু পুরকখিবনি।

মহাক্না লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অদুবু ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মচা লৈমা স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেসনা লুচিংদুনা স্কুল অসিগী ষ্টাফশিং, মচা লৈমা স্কুল সোসাইটি অমসুং মচা লৈমাগী মেম্বরশিংনা মচা লৈমা স্কুলদা দেবীকারানীবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দেবীকারানীদা অচন্বা খুদোল অমদি কেস প্রাইজ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি। দেবীকারানী হৌজিক হৌজিক সেন্ট্রেল ৰুশু ইন্সটিটিয়ুটতা শান্নরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# কৈশামথোং (নাওবা) কাংখুৎ ফাইনেল চঙখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৩ (ঐচ এন এস):** শিংজমৈ কাংখুৎ চীংঙামথক্না শীন্দুনা চত্থরিবা অহানবা মাইবম ইথোই মেমোরিএল নুপী খুৎ কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কৈশামথোং (নাওবা) কাংখুৎ মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা কৈশামথোং (নাওবা) কাংখুৎনা ৱাবগাই কাংখুৎপু পাঞ্জল১৬-১২দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মমাঙ থাগী ২০দগী তোঙান তোঙানবা টিম ১২না কাঙলুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাংশঙদা চত্থরক্লিবা কাং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচকী অহানবা হাফকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কৈশামথোং (নাওবা) কাংখুৎনা ৱাবগাই কাংখুৎতগী পাঞ্জল ১০-৫দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মদুগী মতুং অনীশুবা হাফতা কাংখুৎ অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। ৱাবগাই কাংখুৎকী মায়কৈদগীসু শোত্থহৌরিবা পাঞ্জল অদু মেনখৎপা ঙম্নবা কাং কাপ্তুনা শান্নখি। অদুমওইনমক মেটচ লোইবা ফাওবদা কৈশামথোং (নাওবা) কাংখুৎনা পাঞ্জল ৪ হেল্লগা অপুনবা পাঞ্জল ১৬-১২দা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি।

চত্থরিবা কাং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচনা হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা শিংজমৈ টিম-এ কাংখুৎ অমদি নম্বোল কাংখুৎ অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি, কৈশামথোং (নাওবা) কাংখুৎনা শিংজমৈ টিম বি কাংখুৎপু মায়থীবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা কৈশামথোং (নাওবা) কাংখুৎনা শিংজমৈ টিম বিবু পাঞ্জল ১৯-১২দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1563

**WFM Begimai Zairbek kyzy (1890) - WFM Galina Mikheeva (2162)**
**Asian Individual Women Al Ain UAE, 2025.05.11**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Nc3 Nf6 | 4.Bb5 Bb4 | 5.O-O O-O |
| 6.d3 Bxc3 | 7.bxc3 d6 | 8.Nd2 Ne7 | 9.d4 c6 | 10.Bd3 Ng6 |
| 11.Re1 Qc7 | 12.Nf1 h6 | 13.Ne3 Re8 | 14.dxe5 dxe5 | 15.a4 a5 |
| 16.Rb1 Be6 | 17.Qf3 Reb8 | 18.c4 Rd8 | 19.g3 Bh3 | 20.Bb2 Re8 |
| 21.c5 Be6 | 22.h4 Nf8 | 23.Nc4 Bxc4 | 24.Bxc4 Ne6 | 25.Bc1 Nd4 |
| 26.Qd3 Rad8 | 27.c3 Ne6 | 28.Qf3 Qe7 | 29.g4 Rd7 | 30.g5 Nh7 |
| 31.Bxe6 Qxe6 | 32.gxh6 gxh6 | 33.Kh1 Kh8 | 34.Rg1 Rf8 | 35.Qg3 f5 |
| 36.exf5 Qd5+ | 37.Kh2 Rxf5 | 38.Bxh6 Qf7 | 39.Be3 Nf6 | 40.Rbd1 Rxd1 |
| 41.Rxd1 Nd5 | 42.Kh1 Kh7 | 43.Kg2 e4 | 44.Bd4 Rf3 | 45.Qg4 Rf4 |
| 46.Qc8 Rxf2+ | 47.Kg1 Rf5 | 48.Qh8+ Kg6 | 49.Kh2 Rf2+ | 50.Kg1 Rf5 |
| 51.c4 Nf4 | 52.Kh1 Ne2 | 53.Bg1... | | |

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1562 Solution :**

**29. ...Qxb2+** *The black queen deflects White's rook away from protecting the square h1. Opening the line from h1 to a1.*
**30.Rxb2 Rh1+ 31.Rb1**
*31.Qc1 Rxc1+ 32.Rb1 Rcxb1#*
*31.Qd1 Rxd1+ 32.Rb1 Rdxb1#*
*31.Qe1 Rxe1+ 32.Rb1 Rexb1#*
*31.Bf1 Rxf1+ 32.Qc1 Rxc1+*
**31. ...Rhxb1#** *Back-rank mate*
*31...Rbxb1#Back-rank mate*
**0-1**












Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com